কোপা অমেরিকা কপ ২০১৬

# ভেনিজুয়েলানা জমাইকা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে
# মেক্সিকোনা অহানবা মেটচতা উরুগ্বেসু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখ্রে





উরুগ্বেবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা

চিকাগো , জুন ৬ ঃ

য়ু এস এ না অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ভেনিজুয়েলানা জমাইকাবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে অদুগা অমরোমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অমদা মেক্সিকোনা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখ্রে।

চিকাগোদা লৈবা সোলজর ফিল্ডদা ঙসি গ্রুপ 'সি' গী অহানবা মেটচতা কেরিবিয়ানগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ফুটবোল টিম জমাইকা অমসুং ভেনিজুয়েলানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক্তগী হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নবা শান্নরকখি। অদুবু ভেনিজুয়েলাগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৫ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু য়াম্না ফজনা পুশিল্লকপা অথুবা পাস তৌনখিবা এটেক অমদগী জোসেফ মার্টিনেজনা টিমমেট আলিজান্দ্রো গ্বেরানা পীথোকপা বোল অমা মার্টিনেজনা ফুট ১৩ ৱাৎলিঙৈদগী থাজিনখিবা সোট অমা জমাইকাগী কিপর এন্দ্র ব্লেকনা ফাবা ঙমহৌদবদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখিবনি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা জমাইকাগী টিম শান্নবগী ২৩ শুবা মিনিটতা ফিভম শোকপা হেনজিনখি।

ভেনিজুয়েলাগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা বোল অমা তোমাস রিঙ্কননা মুন্নবা হোৎনবদা জমাইকাগী রোদোল্ফ লিঙ্কন্না নিয়ম লান্না তুহল্লুবদগীদমক রের্দ কার্দ ফংদুনা জমাইকাগী টিম অদু শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌরবসু জমাইকাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবগী এটেক চথবা হনখিদে। অদুবু মখোয়গী লাইবক থিবদি পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অদুগী মিনিট ৬০ লানশিল্লকখি।

শান্নবগী ৭০ শুবা মিনিটতা ভেনিজুয়েলাগী ৱিল্কর এঞ্জেলনা হেদ তৌশিল্লকপা বোল অমা জমাইকাগী ব্লেক্না য়াম্না ফজবা ঙাকথোকপা ঙমখি। শান্নবগী ৭৫ অমসুং ৮০ শুবা মিনিটতা জমাইকাগী মায়কৈদগী ৱেটসন অমসুং এন্দ্রিয়ান মারিয়াপানা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অনী মাঙজখি।

মেটচ অদুগী মিনিট ৯০ লোইরবা ফাওবা জমাইকাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থিহৌখি। জমাইকানা মথংগী মেটচতা গ্রুপ অসি ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইবা ঙমখিবা মেক্সিকোগা লম্বা তৌনগদৌরি।

য়ু এস এ গী গ্লেন্দেল সহরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ফিনিক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অনীশুবা মেটচতা সাউথ অমেরিকাগী টিম উরুগ্বেবু নোর্থ অমেরিকাগী টিম অমা ওইরিবা মেক্সিকোনা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ৪ শুবা মিনিটতা উরুগ্বেগী দিফেন্দর অলভারো পেরৈরানা মেক্সিকোনা পুশিল্লকপা বোল অমা মায়কৈ ওন্না হেদ তৌবদা মশামক্কী নেট মনুংদা চঙখিদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু মখোয়না মেক্সিকোদা খুদোল তমখি।

ভাবক ৬০,০০০ হেনবদা তিনখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ফিনিক্স ষ্টেদিয়মদা পাঞ্জল অমা শোথরবসু উরুগ্বেগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরবসু মেক্সিকোগী দিফেন্দরশিং অদুবু লানশিনবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাল্ফ অদু পেরৈরাগী পাঞ্জল অদু থারগা উরুগ্বেগী মটিয়াজ বেসিনো রের্দ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবা অদুনা লোইশিনখি।

মেটচকী ৭১ শুবা মিনিটতা মেক্সিকোগী এন্দ্রি গ্বারদাদোসু নিয়ম লাল্লুবগীদমক মেটচ অদু মখা তানাশান্নবা য়াওহনখিদে। টিম অনীমক শান্নরোই ১০ / ১০ দমক লৈহৌখি। শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনিটতা উরুগ্বেগী দিয়েগো গোদিন্না য়াম্না ফজবা হেদিং অমগী মতেংনা মেটচ অদুগী ইক্বেলাইজর অদু ওইহনখি।

পাঞ্জল অমমম মান্নরবা মতুং শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনিটতা মেক্সিকোগী রাফেল মার্কিজনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা উরুগ্বেবু মেক্সিকোনা পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।


শান্নবগী অপীবা মিনিট ৯০ লোইশিল্লকপা ইনজুরি টাইমগী অনীশুবা মিনিটতা মেক্সিকোগী হেক্তর হেরেরানা মেটচ অদুগী মরিশুবা অমদি টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মখোয়না উরুগ্বেবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

গ্রুপ অসিদা ঙসি মায় পাকখিবা মেক্সিকো অমসুং ভেনিজুয়েলা পোইন্ট ৩ /৩ ফংদুনা লৈরি। অদুগা মায়থিখিবা জমাইকা অমসুং উরুগ্বে পোইন্ট ফংদনা লৈরি।

হয়েং গ্রুপ 'দি' গী অহানবা মেটচতা পানামা অমসুং বোলিভিয়া অদুগা অনীশুবা মেটচতা আর্জেন্টিনা অমসুং চিলি শান্নরগনি।


জমাইকা অমসুং ভেনিজুয়েলানা শান্নখিবা মেটচ অমদা টিম অনীগী শান্নরোইনা বোল মুন্নবা

# সুসিল অমসুং নরসিংহগী ৱাথোক লোইশিনখ্রে
# রিও ওলিম্পক্কতা নরসিংহ চৎলগনি


রিও ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রবা সুসিল কুমার

ন্যু দিল্লি , জুন ৬ ঃ

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদগী চথগদৌরিবা রিও ওলিম্পক্কতা ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলিংগী কেজি ৭৪ গী ফ্রি ষ্টাইল কেটেগোরিদা মতম শাংনা সুসিল কুমার অমদি নরসিংহ যাদবকী মরক্তা কনা চৎকদগে হায়বগী ৱাথোক অদু ঙসি দিল্লি হায় কোর্টনা সুসিল কুমারনা থারকপা পিটিসন অদু য়াখিদবদগী রিওদা নরসিংহ যাদবনা হায়রিবা কেটেগোরি অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা চৎলগনি।

পনবা য়াবদি সুসিল কুমার ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলিম্পিক্কতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবনি। মদুগী মমাঙ বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতসু মহাক সিলভর মেডল ফংখিবনি। অদুবু মেডল অনীমক মহাক্না কিলোগ্রাম ৬৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়াবদা ফংখিবনি।

নরসিংহ যাদবনা কেজি ৭৪ কেটেগোরিদা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংদুনা রিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। হায়রিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা সুসিল কুমার শোকপদগী য়াওবা ঙমখিদবনি।

সুসিল কুমারনা মহাক মশামক ২০১৫ গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবসু মমাঙদা মহাক্কী ফজবা পার্ফোমেন্সশিং অদু য়েংলগা অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা হায়রিবা কেজি ৭৪ গী কেটেগোরি অদুদা খ্বাইদগী অফবা মেডল ফংলকপা ঙমগদবা রেষ্টলর অদু খনসি হায়না রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা হায়দুনা লাকখিবনি। অদুবু ফেদরেসন অসিনসু অরেপ্পা ৱারোল অমা ফোঙদোকপা ঙমদনা লাকখিবদগী সুসিল কুমারনা দিল্লি হায় কোর্টতা পিটিসন অমা থাঙ্গৎলকখিবনি।

সুসিল কুমারনা ফোঙদোরকখিবদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ওইনসু ক্বালিফাই ওইবা কেটেগোরি অমদা করিগুম্বা অফবা রেষ্টলর লৈরবদি মখোয় মশেল অমুক ত্রাইয়েল লৈবাক অদুমক্তদা চথদুনা কনানা লৈবাক অদুগী মহুৎ শীনগদগে হায়বা লেপথোক্লবা য়াওরিবনি।

অরেপ্পা অমা লৈরক্তবদগী দিল্লি হায় কোর্টনা থাঙ্গৎখিবা পিটিসন অদু ঙসি পীথোরকপা ৱারেপ্তা সুসিল কুমারগী মহুত্তা নরসিংহনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ওইনা রিও ওলিম্পিক্কতা শরুক য়াগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ২০০৮ গী বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেডল ফংলকখ্রবা অভিনাব ভিন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা সুসিল কুমারনা বৈজিংদা চত্তুনা নরসিংহবু শৌগৎপীবনা হেন্না লেম্বা থবক ওইগনি হায়খি।

অমরোমদা হান্না রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী ওইরম্বা রাজ সিংহনা ফোঙদোকখিবদা ফেদরেসন অসিনা ঙন্না ৱারেপ লৌরম্লবদি শান্নরোই অনীগী মরক্তা মতম মাঙদনা লৈরমগদবগী মহুত্তা প্রেক্টিস তৌহল্লম্বনা হেন্না অফবা ওইরমগদবনি হায়খি।

# ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ থা অসিগী ১১ দগী হৌরগনি




পেরিস , জুন ৬ ঃ

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ২৪ না শরুক য়াদুনা ফ্রান্সকী তোঙান–তোঙানবা সহর ১০ দা মহাদেস অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১১ দগী হৌরগনি।

জুন ১১ দগী হৌরগা জুলাই ১১ দা লোইগদৌরিবা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী লৈবাক ২৪ না গ্রুপ ৪ থোক্না লম্বা তৌনগদৌরি।

গ্রুপ 'এ' দা য়ুম্বু ওইরিবা ফ্রান্স, রোমানিয়া, অলবেনিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দ লৈরি।

গ্রুপ 'বি' দা ইংলন্দ, রুসিয়া, ৱেল্স অমসুং স্লোভাকিয়া লৈরি।

গ্রুপ 'সি' দা জর্মনি, য়ুক্রেন, পোলেন্দ অমসুং নোর্দন আয়রলেন্দ লৈরি।

গ্রুপ 'দি' দা স্পেন, জেক রিপব্লিক, টর্কি অমসুং ক্রোএসিয়া লৈরি।

গ্রুপ 'ই' দা বেলজিয়ম, ইটালি, রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দ অমসুং স্বিদেন লৈরি।

অদুগা গ্রুপ 'এফ' তা পোর্টুগাল, আইসলেন্দ, ওষ্ট্রিয়া অমসুং হঙ্গেরি লৈরি।

অহৌবা নুমিৎতা য়ুম্বু ফ্রান্স অমসুং রোমানিয়া অমদি অলবেনিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দ সেন্ট দেনিস অমসুং লেন্স সহরদা শান্নরগা বোর্দিও সহরদা গ্রুপ 'দি' গী ৱেল্স অমসুং স্লোভাকিয়া থেংনরগনি।

গ্রুপ মেটচশিং লোইরবা মতুং গ্রুপ অমমমদগী মকোক থোংবা টিম অনী অনীনা নোকআওট ষ্টেজ শান্নগদৌরি। মসিদা মায় পাক্লকপা টিম ৮ না ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অনী জুলাই ৭ অমসুং ৮ দা লিওন অমসুং মার্সিয়েল সহরদা পাঙথোক্লবা মতুং ফাইনেল মেটচ অদুদা সেন্ট দেনিস সহরদা জুলাই ১১ দা শান্নরগনি।

## EURO-2016 FIXTURE

| Day / Date | Match | Time | Venue |
|---|---|---|---|
| Saturday 11 June | France v Romania | 01.30 AM IST | St-Denis |
| Saturday 11 June | Albania v Switzerland | 7.30 PM IST | Lens |
| Saturday 11 June | Wales v Slovakia | 10.30 PM IST | Bordeaux |
| Sunday 12 June | England v Russia | 01.30 AM IST | Marseille |
| Sunday 12 June | Turkey v Croatia | 7.30 PM IST | Paris |
| Sunday 12 June | Poland v Northern Ireland | 10.30 PM IST | Nice |
| Monday 13 June | Germany v Ukraine | 01.30 AM IST | Lille |
| Monday 13 June | Spain v Czech Republic | 7.30 PM IST | Toulouse |
| Monday 13 June | Republic of Ireland v Sweden | 10.30 PM IST | St-Denis |
| Tuesday 14 June | Belgium v Italy | 01.30 AM IST | Lyon |
| Tuesday 14 June | Austria v Hungary | 10.30 PM IST | Bordeaux |
| Wednesday 15 June | Portugal v Iceland | 01.30 AM IST | St-Etienne |
| Wednesday 15 June | Russia v Slovakia | 7.30 PM IST | Lille |
| Wednesday 15 June | Romania v Switzerland | 10.30 PM IST | Paris |
| Thursday 16 June | France v Albania | 01.30 AM IST | Marseille |
| Thursday 16 June | England v Wales | 7.30 PM IST | Lens |
| Thursday 16 June | Ukraine v Northern Ireland | 10.30 PM IST | Lyon |
| Friday 17 June | Germany v Poland | 01.30 AM IST | St-Denis |
| Friday 17 June | Italy v Sweden | 7.30 PM IST | Toulouse |
| Friday 17 June | Czech Republic v Croatia | 10.30 PM IST | St-Etienne |
| Saturday 18 June | Spain v Turkey | 01.30 AM IST | Nice |
| Saturday 18 June | Belgium v Republic of Ireland | 7.30 PM IST | Bordeaux |
| Saturday 18 June | Iceland v Hungary | 10.30 PM IST | Marseille |
| Sunday 19 June | Portugal v Austria | 01.30 AM IST | Paris |
| Monday 20 June | Switzerland v France | 01.30 AM IST | Lille |
| Monday 20 June | Romania v Albania | 01.30 AM IST | Lyon |
| Tuesday 21 June | Slovakia v England | 01.30 AM IST | St-Etienne |
| Tuesday 21 June | Russia v Wales | 01.30 AM IST | Toulouse |
| Tuesday 21 June | Northern Ireland v Germany | 10.30 PM IST | Paris |
| Tuesday 21 June | Ukraine v Poland | 10.30 PM IST | Marseille |
| Wednesday 22 June | Croatia v Spain | 01.30 AM IST | Bordeaux |
| Wednesday 22 June | Czech Republic v Turkey | 01.30 AM IST | Lens |
| Wednesday 22 June | Hungary v Portugal | 10.30 PM IST | Lyon |
| Wednesday 22 June | Iceland v Austria | 10.30 PM IST | St-Denis |
| Thursday 23 June | Sweden v Belgium | 01.30 AM IST | Nice |
| Thursday 23 June | Italy v Republic of Ireland | 01.30 AM IST | Lille |
| **KNOCKOUT PHASE** | | | |
| **Round of 16** | | | |
| Saturday 25 June | 2nd Group A v 2nd Group C | 7.30 PM IST | St-Etienne |
| Saturday 25 June | Winner B v Third-place A/C/D | 10.30 PM IST | Paris |
| Sunday 26 June | Winner D v Third-place B/E/F | 01.30 AM IST | Lens |
| Sunday 26 June | Winner A v Third-place C/D/E | 7.30 PM IST | Lyon |
| Sunday 26 June | Winner C v Third-place A/B/F | 10.30 PM IST | Lille |
| Monday 27 June | Winner F v Runner-up E | 01.30 AM IST | Toulouse |
| Monday 27 June | Winner E v Runner-up D | 10.30 PM IST | St-Denis |
| Tuesday 28 June | Runner-up B v Runner-up F | 01.30 AM IST | Nice |
| **Quarter-finals** | | | |
| Friday 30 June | Winner M1 v Winner M3 | 01.30 AM IST | Marseille |
| Saturday 1 July | Winner M 2 v Winner M 6 | 01.30 AM IST | Lille |
| Sunday 3 July | Winner M 5 v Winner M 7 | 01.30 AM IST | Bordeaux |
| Monday 4 July | Winner M 4 v Winner M 8 | 01.30 AM IST | St-Denis |
| **Semi-finals** | | | |
| Thursday 7 July | Winner QF1 v Winner QF2 | 01.30 AM IST | Lyon |
| Friday 8 July | Winner QF3 v Winner QF4 | 01.30 AM IST | Marseille |
| **Final** | | | |
| Monday 11 July | Winner SF1 v Winner SF2 | 01.30 AM IST | St-Denis |

# বিজেন্দর সিংহনা মহাক্কী টাইটল দিফেন্দ তৌনবা জুলাই ১৬ দা ন্যু দিল্লিদা ফাইট তৌরগনি



ন্যু দিল্লি , জুন ৬ ঃ

ইন্দিয়াগী এমেচর বোক্সিংদগী প্রোফেসনেল বোক্সর অমা ওইনা মায় পাক্লা বোক্সিং বাওট ৬ মায়থিদনা লাক্লিবা বিজেন্দর সিংহনা মহাক্কী দব্লিয়ু বি ও এসিয়া পেসিফিক সুপর মিডলৱেঠ টাইটল অদু ইন্দিয়াগী দিল্লি সহরদা জুলাই ১৬ দা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর কেরি হোক্না লম্বা তৌনরগনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা বিজেন্দর সিংহনা মমাঙদা থিন্নখিবা বাওট ৬ মক নোকআওটতা মায় পাক্লুনা লাকখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী কেরি অমসুং মহাক্কী বাওট অদু জুলাই ১৬ দা ন্যু দিল্লিগী থিয়াগরাজ ষ্টেদিয়মদা ভাবক ৬০০০ কী মমাঙদা লম্বা তৌনরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর কেরিনা ফোঙদোকখিবদা বিজেন্দর সিংহনা মমিং য়াম্না লৈরবা বোক্সর অমা ওইরবসু মহাক্কী মমাঙদদি ইচম চম্বা বোক্সর অমগুম্বনি হায়খি।

মহাক্কী বাওট ৩০ গী এক্সপরিয়েন্সতা বাওট ২৩ মায় পাক্লুনা লাক্লি। মদুগী মনুংদা বাওট অনী অমদি মহাক্না নোকআওটতা মায় পাকখিবনি।

নাকল অমরোমদা বিজেন্দর সিংহগী কেরিয়র অসি মমাঙগী চহীদা প্রোফেসনেল ওইরকপদা ঙাইরি। লোয়ননা তেল্লবামতম অসিদা লম্বা তৌনখিবা বোক্সর ৬ মক নোকআওটতা মায়থিবা পীদুনা লাকপা ঙল্লি।

বিজন্দেরনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মরমদমশিংগী ভাবকশিংগী মমাঙদা শান্নবা অসি মহাক্কী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক ফবনি হায়খি।

# বোপানা টোপ ১০ গী মনুং চনখিবদগী রিও ক্বালিফাই ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি , জুন ৬ ঃ

ইন্দিয়াগী দবলসকী টেন্নিস শান্নরোই ওফিসিয়েল ওইনা এ টি পি রেঙ্কিংগী দবলসকী কাঙলুপ্তা মকোক থোংবা পোজিসন ১০ গী মনুং চন্দুনা ওগষ্ট থাদগী হৌগদৌরিবা রিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রে।

পনবা য়াবদি হন্দক্তা লোইশিনখিবা ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেলদা রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মার্জিগা জুরা ওইদুনা মায়থিহৌখিবনি।

অদুবু মকোক থোংবা দবলসকী শান্নরোই ১০ গী মনুং চন্নবগীদমক বোপানাগী ওইনা ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন জুরা ওইরিবা মার্সেলো মেলো অমসুং ইভান দোগিগ সেমি ফাইনেলদা লৈহৌবা মথৌ তাখিবনি। মদুমক ওইখিদুনা রোহন বোপানা নুপাগী দবলসকী মকোক থোংবা শান্নরোই ১০ গী মনুংদা লৈবা ঙমখিবনি।

ঙসি এ টি পি না থাদোরকপা নুপাগী দবলসকী খ্বাইদগী নৌবা লিষ্টতা মেলো অমসুং দোগিগ সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী বোপানা হাইগৎলকপনি। করিগুম্বা মেলো অমসুং দোগিগ ফাইনেল য়ৌরম্লবদি বোপানাগী খুদোংচাবা লৈরম্লোইদবনি।

বোপানানা রিও ওলিম্পিক্সকীদমক মহাক্কী পার্টনর অদু অমা হেক্তা খনবা য়াবগী খুদোংচাবাঅদু লৈরি। পার্টনর অদুনা টোপ ১০ মনুং চন্দ্রবসু বোপানানা খনবা ঙমগদৌরি।




# ৱার্ল্ড ইনভাইরোমেন্ট দে পালন তৌখ্রে

ইম্ফাল , জুন ৬ ঃ

মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ট্রেকিং এসোসিয়েসন্না থোরকপা চেরোল অমদা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বর ৪৬ না শাবা টিম অমা ৱার্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দে পালন তৌবগা মরী লৈননা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা ঝুকো ভেলি ট্রেকিংগী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ট্রেকিং এসোসিয়েসনগী চেরোল অসিনা মখা তারদুনা টিম অদুনা হয়েং ঝুকো ভেলিগী ফজবা অদু য়েংলবা মতুং জুলাই ৮ দা হল্লক্কনি হায়রি।

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*